# তুরেল মরীন তেংথোকসি : অঙনবা মণিপুরগী লৈঙাক থৌশিলগী শরুক অমা

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী





**চাক** লাম্বগী মৈশা, পামজবা থৱায়না তাজবা অচাপোৎ অমনা নেমথহনবা ঙম্মী। ঈশিং খৌরাংবনা লানগদৌরবা মীশক অমদা চা নৎত্রগা কোফি, হৈ-মহীনচিংবা পীশিল্লুবদা থকখিবদি য়াই তঙাইফদনা অদুবু মসিমদি শোয়দনা হায়রক্কনি,

“ঈশিং পীয়ু, ঈশিং থক্ত্রিবমখৈ পেল্লরোই” লফু মকা শুল্লগা লেন্নে হায়বগী ৱারীসু তাখ্রে। মদুমক্লা তুং কোয়না ঈশিংনা পেলহনবগুম খৌরাংবদু পূমকোক কোহনগনি হায়বদি থাজদে। অরিবা নূংগী চক্তা লৈরম্বা মীওইশিংনা উমংদা ফংবা শা-ঙা, হৈ-রা চাদুনা হিংলম্মী হায়বা ৱাফম অসি ককপা য়াদ্রবা ময়েকশিংনি। চেঙ, ফৌ পুথোকপগী লৌশিং লৈরমদবা মখোয়দু চাক নৎত্রগা তলনচিংবা চাদ্রবসু অদুম্মক হিংলম্মী। অদুবু মখোয়না হিংলম্বগী মরমদু নৈনফম থোকই। মরমদি চীংনুং মান্নুংদা লৈবা পাৎ, তুরেল, খোং, লোক্ল চিংবদা অশেংবা অরূবা ঈশিং মরাং কায়না ফংলম্মী। মফমশিংদুদা মখোয়গী লৈফম ওইবা হৌনশানি।

কুইরবগী ৱানি কুমজা ১৯৮৫দনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী থারোন খুন্দা চৎলম্মী। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী ষ্টদি টুরনি। থারোন কেভতনি। নূংগী চক্তা লৈরম্বা মীওইশিংগী শাইদাংফম ওইরম্বা শুরুংশিংনি। শুরুংশিং অদুনা কোল্লিবা মফমদুদা চেলহৌরিবা তুরেল হায়গদরা ঈশিংখোং হায়গদরা ওইনীংবা ওইজসনু, উবদা অঙকপা অমদি ফাওখি। ঈশিংদু অদুক্কী মতিক শেংলমগদবা মাল্লি। হৌজিক্কানগী মিনরেল ৱাটরনা হেঞ্জিনবা ঙমগদবা মান্দে। খনখি, “ঈশিংসিগী মপান্ননিকো মখোয়না হিংলম্বদো।” হায়রিবা ঙসিদগী চহী ৩০ হেনবগী মতমদুদসু খুনগী মীশিং অমদি অতোপ্পশিংসু মফমদুদা খোঙদাদুনা মরক মরক্তা চৈথেং পীরবা মতমনি। অদুবু অমোৎ অকায় লংথদুনা ফীভম শোকহনবদি উদে। ঙসিনা কমদৌরবা, অমুক্তংদি য়েংনীংলি। মসিনা অতোপ্পা ৱারী অমা ওইখ্রসনু।

অসিগুম্লবা তাইবঙপানবদা হিংলিবা মী, শা-উচেক, হৈ-লৈ, নাপী-শিংবী, উপাল-ৱাপালনচিংবা পূম্নমক্কী থৱায় ওইরিবা ঈশিংগী ময়ূম ওইরিবা সমুদ্র, পাৎ-তুরেল, লোক, পুখ্রি, খোংবান্নচিংবা অসিবু মীওইবনা নুংশিবিদ্রবা, থৌশাবীদ্রবা অমদি তৌহৈদবা থবক কয়া তৌশিনবীরবদি মাঙ তাক্লবগী মশক ওইরকই হায়বসি খঙলবসু খঙশিন্নদবগুম্না লৈরি। লমদমসিগী ইপা-ইপূশিংনা তাকপীরম্মী “ঈশিংদি মাংবা লৈতে, ঈশেংতা শেংঙি।” মতমসিগা চুনরিব্রা, হংবা য়াবা ৱাহংনি। মতম অমদা পুখ্রিগী শিড়িদা কুম্লগা খূজোক্লা কল্লগা ঈশিং থক্লম্মী থক্লিংবা মতমদা। মরমদি মতমদুদা ময়ামগী ঈশিং থক্লনবা পুখ্রিদা ঈরু মায়থজবা, ফিশু-ফিজাম্বা, কোল্লিক চামশিনবনচিংবা তৌনরমদে। ঈশিং শোকপা মতমদা খূৎনা তরেৎলক হাইদোক্লগা শোকপগী মরম চাউনা লৈ। অশেংবা অরূবা ঈশিং ফংননবনি। অমাংবা ঈশিংনা অতোপ্পা থবক্তা শীজিন্নরম্মী। চাক-ঈশিং থোংবা, থক্লবা ঈশিংনা অশেংবা ঈশিং হায়দুনা তরু-তরুবা পুন, তেক্লচিংবদা মখুম কুপ্লগা থম্নরম্মী। ঈরুজদবা মীশক অমনা পায়বা শোকপা য়াদবগী কয়াদা ৱাংলবা ৱাখল্লোন্নো।

ঙসিদি ঐখোয়গী পাৎ তুরেলশিং শাউরক্লে। নোং খজিক্তং চুবদা পাখৎনৈ, মীপাইনৈ, ঙাঙনৈ ‘ঈশিং চাউগদৌরিমাল্লে, কমদৌনিসিদি।’ নুংশা খরদং শাবদা হায়নৈ, ‘ইকং থোক্কদৌরি, কমদৌসিগে।’ পূম্নমকসিগী হৌরকফম মরূ কনানো? ঐখোয় মীওইবনা নত্তবরা? লাউরি অখঙ অহৈশিংনা, ‘উমং-ৱামং য়াল্হৎকনু, পাৎ-তুরেল মোৎশিলহনগনু।’ লাউরি খোংলিবা পূম্নমক ঐখোয় মীওইবা অমদি থৱায় পানবা পূম্নমকপু কন্ননবগীদমকনি। অদুবু খরনা তারবসু ঐখোয় অয়াম্বনা তাশিন্নদে, খঙশিন্নদে। ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা ঈশিংদা অমাংবা মচুম থাদৈ, অমোৎ-অকায় লংথৈ, পাৎ-তুরেলগী মশক মচু হোংহল্লি। লায়না পোকহনবা মহীকশিংগী মকোন শেম্মী। ঙসিদি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈঙাক অমসুং তোঙান তোঙানবা লন্নাই লূপ কয়ানা তুরেল তেংথোকপা, লূ-নান্না থম্বগী থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি।

মণিপুরদসু মণিপুরগী মরুওইবা তুরেলশিং তেংথোকপা অমদি লূ-নান্না থম্নবগী থৌরাং মমাঙগী চহী নবেম্বরদগী মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎপা হৌখ্রবনি। থৌরাং অসি মায় পাকহনবা হায়বসি মীয়ামগী ৱাখল অমসুং থবক্তা লৈ। অঙনবা মতমদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা ঈশিং ঈচাউ থিংনবা পান্থে ওইনা মশামক মায়পুননা য়াওদুনা তুরেল মরীন তেংলম্মী হায়বসি লাইরিক কয়াদা ইরি। তুতেংলোন হায়না মিংথোনবা পুয়া অদুদা কুমজা ২৬৪দগী ৩৬৪ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু তাউথিংমাং অমসুং ময়াম্বা য়োইমোংবা মচিন মনাও অনীনা ঈরিল তুরেল অমসুং ঈরোং তুরেল মরূ তেংখিবগী মরমদা শৈথারি। মৈদিংঙু তাউথিংমাং অমসুং ময়াম্বা য়োইমোংবা মখোয় অনীগী মফমদা মমা মৈতৈ লৈমা নোংবানলোন নোংমোইনু অহোঙবীনা তুরেল মরীন তেংথোক্লবা থৌদারম্বগী মতুং ইন্না মমাগী য়াথং অদু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্মী। ময়াম্বা য়োইমোংবনা মমানা শিন্নরম্বা থৌদা পাঙথোক্লবা মনাওনুপাগী মফমদা ৱা হৌদোকপগা লোয়ননা লাই য়াম্না লৈবা, হঙোই কোনথিং নুরাবীনা কোনবা, তাংজ লিলা পাখংবনা পানবা ঈরিল তুরেলবু মনাওনুপা তাউথিংমাংনা তেংনবা হায়রম্মী। ঈরিল তুরেল মরূদি অকনবা অরূম্বা নূং য়াম্না লৈতবা, তৌবদা ৱারোইদবা, খুদোংথীনীংঙাই ওইদবা, লী-ৱা য়াম্না হৌদবা, কাওশিং কাওবা হৌদবা, য়াম্না লুদবা, মফম ওইবননি হায়রম্মী। অদুবু নূং য়াম্না লৈবা, লী য়াম্না কূংনা হৌবা, কাওশিং পাওরা য়াম্না হৌবা, শৌ লাং য়াম্না লৈবা মরম্না থবক শূবদা মতম চঙবগা লোয়ননা অৱাবা-খুদোংথীবা নংগদবা ঈরোং মরূদা য়োইমোংবা মশামক্লা তেংগে হায়না মরৌ লৈনা হায়রম্মী।

মতৌ অসুম্না ময়াম্বা য়োইমোংবনা মনাই মশনশিংগা লোয়েননা ঈরোঙদগী মখা মায়কৈ পাংবরোমদা তেংথখি। মৈদিংঙু তাওথিংমাংনা ঈরিল তুরেল মরূদগী তেংথখি। তাউথিংমাঙনা ময়াম্বগী খোঙ্গুল লীরকপদা উরুপ হায়বা লম অদু য়ৌরকপদা নোংথক্তা পাইরিবা উচেকশিংদা ময়াম্বগী লম্বী হংলুবদা তাকপীরকপদগী মচিন মনাও ঈরিলখোংদা থেংনরম্মী। মদুদগী চীংমী য়ূম্নাক ১০০না খুন্দাবা খুঙ্গংগী লুখ্রাবী তেৎনৌ তোনথাংনু শাকবীগী য়ূমদা লমথুংখিবগা লোয়ননা লেক চাদুনা লৈখি। তোনথাংনুগী মফমদগী খুন অদুদা ককয়েন মীঙম্বনা লান্দারক্তুনা অৱা অনা মায়োক্লরি হায়বদু খঙলম্মী। ৱাফম অদু খঙলবা মচিন মনাওনা ককয়েন মীঙম্ববু ফাননবা ৱা তানরম্মী। মমৈথংদা নুপী অদুনা হায়বগী মতুং ইন্না খোইমোম লাইরেম্মা, লৈমরেন শিদবীগী মফমদা চত্তুনা ককয়েন মীঙম্বা হাৎনবা থাঙলেন য়াইওইবা অমসুং তেনবী য়াইওইবা নিরম্মী। লৈমরেন শিদবীনা পীরকপা খূৎলায় অনী অদু হাপ্লগা মখা পাংনা হি হোন্থরকপদা থাঙ অদু মথি ফোংলকপদগী হি অদু কল্লগা শরুক অনী থোকখিবগা লোয়ননা খূৎলায় অনীমক ঈশিং মনুংদা তাশিনখি। হি মকক অমমমদা তোংলগা য়োইমোংবনা অৱাংলোমদা অমসুং তাউথিংমাংনা মখারোমদা লমখাইনখি। তাওথিংমাংদি তোনথাংনুগী য়ূমদা অমুক থুংলখি । ককয়েন মীঙম্বদু মথন্তনা হাৎপা ঙল্লোইদবনা ময়াম্বগী খোঙ্গুল থিরকপদা থাঙলেন্না অনী থোকহনখ্রবা হি অদু শমজিন্নরগা লৈবা উরম্মী। অসুম্না উরক-ৱারক চঙদুনা ময়াম্ববু কোয়থি থিরম্মী। কাইনথংদা মচিন মনাও থেংনখি। মচিন মনাওনা লাকপদা য়োং ময়াম্না উতুপ-ৱাতুপ লংশিল্লক্তুনা লাম্দারকপদু মায়োক্লদুনা লাকশিনখি।

মদুদগী মচিন মনাওনা চেংলৈগী লমদা থোং শারিঙৈদা খোইয়ম শিদবা পাফল অরিবগী লম ওইরম্বদগী মুক্লবা অমা থোকখি। কাইনথংদা মচিন মনাওনা পাফল অরিববু পূম্নমক্কী অশেংবা পন্থৌ মপানি হায়বসি খঙজরকপদগী খুরুমজখি। মদুদগী ঈশিং মনুংদা তাখিবা থাঙলেন অমসুং তেনবী অনীদু পীবিরকখি। মতৌ অসুম্না ককয়েন মীঙম্বা হাৎপা ঙমখি। ককয়েন শগন নামনা ঈশিং থিংখিবগীদমক ঈথিং অমসুং ককয়েন মকোক ককখিবা মফমবু কক্লৌ হায়না মিংথোনখি।

মথক্তা শন্নপ্না থমজখিবা ৱারী ৱাখোঙ অসি মৈদিংঙু তাউথিংমাংগী মতমদা তুরেল তেংবা তৌবগী শীংথানীংঙাই ওইবা থবক অদুদা য়ূম্ফম ওইবনি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবনসু উৎলি। চৈথারোল কুম্বাবদা য়াওরিবা মতেক অমা থমজরি,

*“তাওথিংমাংগী হাক্তক্তা ময়াম্বা য়োইমোংবগা লোয়নদুনা মণিপুর লৈবাক্কী তুরেল খিবিক অসুম তৌথখিবদা লিলোং হেক য়ৌবদা ফুনাল তেলহৈবা কৌবা অমনা ঐগী লমদা তুরেল তৌফদে হায়বদগী ময়াম্বা য়োই মোংবনা নোংচুপ পাংনা থৈনখিদুনা তৌখ্রবগে হংবদা ফুনাল তেলহৈবনা কুইখ্রে খুমএ। তাওথিংমাংনা ইয়াম্বা ফংনবা তুবৎ শমগে হায়বদা ফুনাল তেলহৈবনা ইরমনি চংফরোই হায়দুনা লান শোকনৈএ।” (লমায় ২)*

মতুং তারকপদা পানখিবা নিংথৌ কয়ানসু তুরেল মরীন তেংথোকপগী থবক অসি পায়খৎতুনা তুরেলশিংবু মওং তানা থম্বগা লোয়ননা ঈশিং ঈচাউ থোরকপদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরম্মী। কুমজা ১৬৬৫দা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা নম্বুল তুরেল তেংবগী থবক লৌখৎলম্মী। মসিদসু নত্তনা নাগা তুরেল মরীনসু তেংলম্মী। নম্বুল তুরেল তেংবগী থবক অসি মৈদিংঙু পাইখোম্বগী (১৬৬৬-১৬৯৭) হাক্তক্তসু পাঙথোকখি। মসিদসু নত্তনা, মহাক্কী মতমদা ইম্ফাল তুরেলগী য়েৎথংবা তোর্ব্বান্দা শিংজমৈদগী হৌরগা ক্যামগৈ ফাওবগী পন শেম্লম্মী। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মতমদা ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেল মরীন তেংথোকপগা লোয়ননা ইরিল তুরেলগী পন অমুক হন্না শেমজিনখি।

তশেংনমক হায়রবদা ইপা-ইপূশিংনা থন্বীরম্বা লাইনীং-লীচৎতসু তুরেলশিংবু লম-লম অদুবু কোনশিনবীদুনা ঙাকপী শেনবীবা অথোইবা লাইনি হায়না ঈরাৎনরম্মী। মসিবু ঙসিগী মীরোলনসু মাঙহন্দনা থল্লি। মদুদসু নত্তনা মণিপুরীশিংগী ৱাখল্লোন্দা ঈরাইলৈমবু ঈশিংগী লাইরেম্বীনি হায়না কিনা লুনা লৌনৈ। অমাং-অশোয় শেংদোকপদা পুংফাই-তাইরেন ঈশিংদা লূপ্লগা খিক্তোকপা, হাইদোকপা তৌনৈ। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, নোংথৌ, মালেম মঙা অসিবু থৱায় মঙামক্লি হায়বগী অৱাংবা ৱাংঙুলোন লৈ। ককচীংদা লৈরিবা উমংলাইশিং হায়বদি খন্নাংবা, ঈরুম নিংথৌ, নাউহল, ঈথক নিংথৌনচিংবা হরাউবগী লাই ঈকৌবা ঈশিংদগী কৌখৎলি। মসিনা তুরেলবু কিনা লুনা লৌনরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। হৌজিক ককচীং ফাওরগা চেল্লিবা সেংমাই তুরেল অসিমক পল্লেল অমসুং ককচীংদা লাৎনরিবা ইবুধৌ সেংমাই নিংথৌগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা তুরেলনি। মণিপুরগী শক্লাইরবা মাইচৌ খুলেন চন্দ্রসেখরগী শৈখোম লাইরিক ইরাৎ লাইশোন্দা শৈথারিবগী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ সেংমাই নিংথৌনা হৈরেম খুঞ্জান খুন, মহা খুন অমসুং মরীং খুন লীংখৎখিবগা লোয়ননা খুনশিং অসিগী মপী-মপা অমদি ঙাকশেনবা ওইদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা লমশিং অসি শেংদোকপগা লোয়ননা সেংমাই তুরেল তেংথোকখি। মতাংসিবু অসুম্না শৈথারি,

*হয়রেম লম্পাক। খুঞ্জান লম্মহন, মহা লমনুংসি সেংমাই ঈ: মরুদগী। মোংবা তোরয় নামসংসিৎনা তুদও খোদওরকপা, তুতেং খোংতেংলকপা। (ইরাৎলাইশোন, লমায় ২৫)*

অসুম্না অঙনবা মতমদা লৈরম্বা ইপা-ইপূশিংনা তুরেলগা মীওইবগা লৈনরিবা মরী অসি মুন্না খঙবগা লোয়ননা তুরেলশিংবু চেকশিন্না থম্নবা হোৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়না তুরেলশিংবু থৌশাবীদ্রে, অমোৎ-অকায় লংথফমগুম্না খন্নরে। ঈশিংগী মচু য়েংবদা অকিবগী মশক ওইরে। তুরেলগী অশেংবা মশক মাঙখ্রে, শক্তম হোংখ্রে। নোং খজিক্তং চুবদা ঈচাউ থোকপগী মরমশিংগী মনুংদা মসিসু অমনি। থৱায় ওইরিবা তুরেলশিংবু শেংহনগে নৎত্রগা মোৎহনগে হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখলগী মখা পোল্লি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ওজা ইবুংঙোগী খুবাম চাংজৌ তরাদু ওন্থোক্লা নীংথিজৈ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**আই এস টি ভিগী** অয়ূকসিদা হায়বা প্রোগ্রাম অদুদা ইকায়খুম্নজরিবা ওজা ইবুংঙো এন মহেন্দ্র, রিটয়ার্দ প্রোফেসরনা য়াম্না মচা খায়না ৱাফমশিং খন্ন-নৈনবিবদা নত্তনা থৌরমগী অহৌবা অমসুং অরোইবমক্তদা টেলিভিজনবু য়েংজরিবা অমসুং তাজরিবা ঐখোয়দা য়াম্না চীং লেম্না ওনশিনবিরক্তুনা নিংথিরবা ওজা ইবুংঙোগী খুবাম চাংজৌ তরা অদু য়াম্না চেৎনা লোন্নদুনা পুকচেল শেংনা অমসুং থম্মোয় শেংনা ইকায়খুম্নবীরকপগীদমক ঐখোয়নসু খুবাম চাংজৌ তরা লোন্নজদুনা অদোম্বুসু নোল্লুকচবা উৎচরি। ওজা ইবুংঙোগী ফজখ্রবা হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন অসিদা য়াওরিবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া অসি ঐখোয়না ৱাখলনা লাম্বা ফংজবগা লোয়ননা য়াম্না মরুওইবা অমসুং তমজনীংঙাইগী মশকনি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, অদোমগুম্বা য়াম্না ফিদমনীংঙাই ওইরবা মীশক কয়া অমসু হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীহৌরোলগীদমক চীংজাওগুম লেপ্তুনা লৈরিবসি উজবদা থম্মোয়দা অদুক্কী মতিক পেঞ্জবগা লোয়ননা য়াম্না চাউথোকচনীংঙাইসু ওইরিবনি।

মীওইবা অমগী পুন্সিদা য়াম্না তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা চীং লেম্বা অথোইবা গুণশিংগী মনুংদা হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন অসি নিংথিনা খঙদুনা তুং কোয়না লৈহনবা অমসুং উৎপা ঙম্বা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসিনা মণি-মুক্তা, সনা-লুপা অমসুং মমল য়াল্লবা অতৈ ফিজেৎ লৈতেংদগীসু হেন্না তোমথিল ওইনা ফজবা পুন্সিগী লৈতেং অমনি।

লায়র-ইনাকখুনবা, অচৌ-মচা, অতোন-অতা, থীবা-ফজবা, মীমান্নবা-মীমান্নদবী, মতিক চাবা-চাদবা, নহা-অহল, ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, ডাকু-ডাকাতিনচিংবা ফাওবা খেন্নবা লৈতনা অমত্তা ওইনা অসিগুম্বা পুন্সিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মীওইবা মশেলগী মরক্তা পুকচেল শেংনা অমসুং থম্মোয় শেংনা ইকায়খুম্নবা উৎনবগী পান্থে অমা ওইরিবা ফজরবা হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন অসি মীপূম তিংনা খঙমিন্নবা অমসুং খুন্নাই অসিদা তৌহন্নীংবগী য়াম্না তঙাইফদবা অদুবুনি। মপান্থোংগী খেন্নবা ফীভম কয়া লৈদুনসু হকচাংগী থৱায়দি অমত্তনি, তাইবঙ মপূসু অমখক্তনি হায়বসি অচৌবা মীশক হায়বদি মহাপুরুষ কয়ানা হায়রমখ্রবনি। লম্বী সরক্কী চিদাইদা পৈদুনা লৈরিবা অমোৎ-অকায়, লুখাক-চগুমগী মনাক্তা ফমদুনা হুদাকখাক অচাপোৎ খুন্দুনা চারিবা মহাক অদুগী আত্মা অদুগা ঐগী থৱায় অসিগা অমত্তনি, তাইবঙ মপূসু অমত্তনি। মরম অসিনা তোল্লবা মহাক অদুবু ফজবা অমেংবা নুংশিবা ৱাহৈ-ৱাতা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ শীজিন্নবিদুনা মতিক চাবা থম্মোয় শেংনা তেংবাঙ পীবিদুনা অৱাংবা থাক্কী মীনুংশি ওইবগী হৌন-লোনচৎ শাজৎ চৎপীরবদি তাইবঙ মপূগী খোঙ্গুল লীনবগী অশেংবা অচুম্বা লম্বী ওইগদৌরিবনি।

ইনাক-কৈরাক খুনবা , ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, অচৌ-অশাং, ফম্নাইবা-ফম্নাইবী অসিনচিংবা ওইনীংবা ওইজসনু মহাক অদুনা কনাগুম্বা মীশক অমদা চপ চানা ইকায়খুম্নবা অমসুং থকসি-খাসি উৎনবগী ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, শাজৎ-লীচৎ অমসুং বোদি লেংথ্বেজনচিংবা উৎপা ঙমদ্রবদি মহাক্কী পুন্সিদা মুখৎপা ঙল্লরোইদবা অমকপা দাগফম অমা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌরগদবনি। য়াম্না লৌনম চাউবা নৎত্রগা মীহাৎপা অমসুং ফজবা হৌন-লোনচৎনচিংবা অসি নিংথিনা ঙাক্লা চৎলগদি অদুগুম্বা ফজবা গুণ অদু মশক খঙবীদুনা খুন্নাইনা মহাকপু পুন্সিগী অফবা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবদা শোয়দনা মতেং পাংবিগনি। অদুঙৈ মমাঙঙৈগী মতমদদি থকসি-খাসি নাইনা, ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাঙ-শক্লবা, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন্নচিংবা অসি ইকায় কায়নরমদে। হৌজিক্কী মতমদনা লাইরিক হৈবসু, হৈতবসু, নহারোলদা নত্তনা ফনা অহল ওইরবা মকোক্তা অঙৌবা পোক হৌরবফাওবদা ৱাঙাঙ-শঙাঙ লুজদবা, নোল্লুকপা থকসি-খাসি মশক খঙজদবা কয়া অমসু থেংনরিবনি। হৌজিক্তি অয়াম্বনসু অহলশিংনা অহলশিংনা নহাশিংদা কিজদুনা থকসি-খাসি নাইবা চৎনরি। ওজাখক্তনা মহৈরোয়শিংদা নোল্লুকপা তারক্লি। অসুম্না অহল লক্লবা চৈ চাবা ফংবনি, অঙাং লক্লবা চোপ্পা নংবনি হায়বদু হৌজিক্তি অঙাং লক্লবা চৈ চাবা ফংবনি অদুগা অহল লক্লবনা চোপ্পা নংবনি হায়বদু ওইরক্লে। কনাগুম্বা অমনা খুবাক অনী লোন্নদুনা ঙক নোন্থরপ তৌনা খুরুমজরকপা মতমদা খুরুমজরক্লিবা অদু ওক্কদৌরিবা মীশক অদুনা চপ মান্নবা খুরুম্বা অদু হন্না তৌবিখিবগী মহুত্তা য়াম্না নিংঙাইদনা লৈবসু ময়াওরিবনি। মিঙ্গৌগী মতাংদসু অদুমঙাইরে মৈতৈগী চৎনবীগী ৱাংমদা পোকপদগী তারক্ত্রিবা মিঙ্গৌ ময়াম অমা কৌনরকপগী চৎনবী অমা লৈনখৎলক্লি। খুদম খরা পল্লবদা মাগী নুপীনা মপূরোইবদা ‘বাবা’, মচাশিংনা মপাদা ‘কাকা’, মমাদনা ‘ইনে’ অসিনচিংবা মিঙ্গৌ ওইনা কৌনবসু য়াওরি। মসিবু ফজবা মৈতৈগী চৎনবী থকসি-খাসি হায়বদু ওইরিব্রা?

হন্দক দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং কিম জোং উন অনীনা সিঙ্গাপুরগী হোটেল অমদা উনদুনা চীংলেম্না ইকায়খুম্নবা উৎনবগী সিন অদু কয়াদা নীংথিজখ্রবনো। মখোয় অনীমক শবান-লেংবান খেন্নজরবসু অকক্লবা মফম অমদা মায়গা মায়গা ওনশিন্নরগা লেপমিন্নদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েং অমসুং খূনোক্কা লোয়ননা লম্বা চানা য়েৎকী মখূৎ অনী অদু হকচাং হকচাংগী মরক্তা চপ মান্ননা লৈনহল্লগা চেজেৎনা ঙাইহাক পায়শিন্নদুনা খূৎ শোক্লবগা লোয়ননা পূক্লিংগী অমত্তা ওইনা য়ানবগী ৱাখল্লোন অদু ফাওদোক্লবগী বোদি লেংথ্বেজ অদুবুনি অদুক্কী মতিক য়াম্না খোয়দাজরিবসি। মখোয় অনীগী উনবা অদুদা ফজরিবা লৈতেং ওইরিবসি অতৈ করিসু নত্তে মখোয় অনীনা তৌনরিবা চপ চাবা হৌন-লোনচৎ অদুবুনি।

অরোইবদা, অসিগুম্বা ফজবা হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোয়্লোনচিংবা অসি য়ুম-য়ুমদা অম্বগী মথত্তা লৈবাক্কী মহৈ লোইশঙশিংদা সবজেক্ট অমা ওইনা ফাওবা তমহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা পাউজেঞ্জবগী ৱানি। মসিদা মরী লৈনবশিংনসু থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবিরক্কনি হায়না থাজজৈ। কাউহঞ্জনীংদবা অমনা, মীওইবা ঐখোয়সু থম্মোয়বু শুক্মৎনীংঙাই ওইরবা নুংশিবা লৈনম চেল্লিবা লৈরাংশিংনা য়োম্না শাৎলিবা লৈরাং পান্বী অমগুম ওইহনসি।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## মণিপুরদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া শিথরকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** মফম খুদিং মেট্রিক্কী অমদি টুয়েল্বকী পরিক্ষা ফল লাউথোকপদা মকোক-মথং তাবা অমদি লেট্টর চৎপা কয়া, মার্ক খরা ৱাংনা পাস তৌবা ময়াম অমা মনা পীবগী পাউনা নিল্লি। অথোই অহেন অমদি মার্ক ৱাংনা পাস তৌবদা পূক্লিং থৌগৎপা অফবা থবকনি। অদুবু মসিদা মহৈরোয়গী কাঙবু কয়া, লাইরিক-লাইশু হৈরবা সেনিয়র সিটিজন কয়ানা খন্নবীগদবদি মায় পাকহৌদ্রবা মহৈরোয় কয়া অদুদি অফবদা মনা পীরগা মখোয় মায় পাকপদি য়ারোই। মখোয়না মায়থীবগী মরম চাউনা লৈরিবনি। মদু থিদোকপীদুনা করিদগী মায়থীরিবনো, করম তৌরগা করি করম্বা পোলিসি অমদি থৌশিল পুথোক্লগা মখোয় মায় পাকপা য়াগদগে হায়বসি ঙসিগী খঙ-হৈরবা কয়ানা খন্নবীবা চুম্ব্রা নীংজৈ। ঙসিগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদকী মহৈরোয়শিংনা পাস তৌরকপা, মকোক-মথং তারকপদা শেলগী মনা পীগনি হায়বনা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল ফহনবা য়ারোই। লন্নাই স্কুলশিংদা ফংলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা থন্বীবা, লন্নাই স্কুলগী ওজাগা স্কুল অদুদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাগা লৈনরিবা মরী অদু এদেদ অমদি লৈঙাক্কী স্কুলদসু থন্বীবা, অদু ওইরবদি লন্নাই স্কুলনা পোজিসন লৌবা অসিগুম লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াসু শোয়দনা য়াওরক্কনি। অদু ওইরবদি শেল তিংদনা অঙাংসু ফহনবা লায়না য়াগনি।

অতোপ্পা অমনা মণিপুর লৈঙাক্লা এদেদ স্কুলগী ওজাশিংগী পীরিবা তলব অসিবু করম্বা মখলগী তলবনো। লৈঙাক্কী থবক তৌবা কয়াগীনা সবেন পে পীবগী য়ানবা লৈখ্রে অদুগা এদেদ স্কুলগী ওজাশিংগীনা তরুকশুবা পে ফাওবা ফংহন্দবা অসিনা করম্না অঙাং শেমনীংগনি। মসিদা লৈঙাক্লা ওজাশিং অসিগী অৱাবদি উবীদনা ৱানা মথৌ তৌজরিবা ওজা কয়াগী হিংবগী ৱাহন্থোক য়াওহন্দনা এদেদ অমদি লৈঙাক্কী মহৈরোয় পোজিসন লৌবদা শেলগী মনা পীগনি হায়না লাউবনা লায়র-ইনাক খুনবা মান্নবা খুন্নাই পুরকপা য়ারোই হায়জনীংই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

মরোল থোকপা লাই

